পূক্নিং লৌশিং | বামোন অমুমচা

# মায় পাকপা

নুপা অমা মহাক্কী মপুন্সি চেংজেল লোইদুনা শিরম্মী। যমগী দুতশিংনা মহাকপু পুরগা যমগী দরকারদা পুরক্লম্মী। যমনা, “ হায় নিপা নহাক সর্গদা লৈনিংব্রা নৎত্রগা নরকতা লৈনিংব্রা?” নুপা অদুনা খুদক্তা খুম্লকই, “ঐহাকপু সর্গ অমসুং নরক্কী লৈবগী মওং, চাকচা-যুথক অদু য়েংনবগী খুদোংচাবা পীনবীয়ু। অদুগী মতুংদা ঐহাক্কী ফীরেপ থমজরগা হঙ্গৎচগে যমরাজনা অশিবা অদুগী অপম্বদু য়াবিরদুনা মহাক্কী দুত অমগা লোয়ননা সর্গ অমদি নরক অনীমক য়েংহন্নবা থারম্মী।

নরক্তা, মহাক্কা শাংলবা টেবল অমা উরম্মী। টেবল অদুগী মথক্তা মখল মখা কয়াগী হাওর হাওরবা অচাপোৎ থেন্দুনা থম্লম্মী। টেবল অদুগী অকোয়বদা মীওই পরেং অমা তুম্মীন তুম্মীন উংদুনা ফমদুনা লৈরম্মী। মখোয়গী মখুত্তা মশাগী মখুৎ অদুগী মথক্তা ফুট মঙা মুক শাংবা খুৎ অমমম পুনশিনবীরম্মী। মরম অসিনা মবুক য়াম্না লাম্লবসু মনাক্তা লৈবা অচাপোৎশিং অদু লৌখৎপা ঙম্লমদে। মরম অসিদগী মখোয় খুদিংমক উংদুনা ফম্বা নত্তনা উপায় লৈরমদে।

মতুংদা যমগী দুত অদুনা অশিবা অদু সর্গদা অমুক পুরম্মী। মফম অদুদসু নরক্কী অদুগুম্বা শাংলবা টেবল অমগী মথক্তা চান থক্লবা থেন্দুনা থম্লম্মী। অদুগা টেবলগী অকোয়বদা ফম্লিবা মীশিং অদুগী মখুত্তা ফুট মঙা ফুট মঙাগী খুৎ অদু অদুমক হাপলম্মী। অদুবু মফম অদুগী মীশিং অদু অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা ৱা ৱা নোকলম্মী। মশা মউ ফনা উরম্মী। মফম অদুগী মীশিং অদুনা খঙলম্মী মদুদি ওইরিবা ফীভম অসিদা মখোয় মশা মশানা মখোয়গী মচিঙ্গাক চাজবা হায়বসি ওইথোক্লরোই। মরম অদুনা মখোয়গী শাংলবা খুৎ অদুনা মহাও অথুম অদু লৌখৎলগা মখোয়গী খুৎনা ফংবা মফমদা মীশিংগী মচিলদা ইল্লম্মী। মতৌ অসুম্না অতোপ্পা মীওইশিং অদুনসু অচাপোৎ ইল্লক্লিবা মীওই অদুদসু চপ মান্ননা চানবা ইলক্লম্মী। অসুম্না টেবল অসিদা ফম্লিবা মীওই খুদিংমক হরাও তয়াম্না চা থক্তুনা লৈবা ফংলম্মী। অসুম্না মখোয়না মশাগীত খন্দনা অতোপ্পশিংগসু মতেং পাংনদুনা নুংঙাইবা পুন্সি লেলম্মী।

ৱাফম অসিমক ঐখোয়গী পুন্সিদসু চুমগনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী কস্তমর ঐখোয়গী ইমুং-মনুং, ঐখোয়গী এমপ্লোইয়র শিং, ঐখোয়গী এমপ্লোইশিং, মরূপ মপাংশিংগী ফনবা খল্লবা মতেং পাঙলবদি মায়পাকপা খুন্নাই, মায়পাকপা ইমুং মনুং অমদি মায় পাকপা ওর্গনাইজেসন শেমগৎপা শোয়দনা ঙমগনি।

## অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা লালহৌবগী ইরাং লোইশিন্নবগীদমক ষ্টেট পুলিসশিংগী মরক্তা লৈনরিবা তেংবাংনবগী থবক হেনগৎহল্লগনি




গুৱাহাটি, জুন ২৬ ঃ
নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা ষ্টেট পূম্নমক্কী পুলিস ফোর্সশিং অসি চপ চানা পুনশিন্নরগা লমদমসিদা লৈরিবা লালহৌবগী ইরাং অসি থেংননবগীদমক পুলিস ফোর্সশিং অসি চপ চানা মতেং পাংনবগা লোয়ননা ঈ-পাউ পূম্নমক ফাওনহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলে হায়রি।

লমদমসিগী খুৎলায় পায়দুনা লালহৌরিবা লূপশিংনা পুনশিল্লগা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়বগী লাঞ্জং অমা চত্থরকপা য়াই হায়বগী রিপোর্টশিং ফংবদগী হায়রিবা এন ই গী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পুলিস ফোর্সশিং অসিনা ঈশু অসি থেংননবগীদমক পুনশিনবগী মথৌ তারকপনি। এক্সন প্লান অমা হন্দক লমদমসিগী পুলিসকী মকোক থোংবা মীওইশিংগী মীফম অমা ফমগদৌরিবা অদুদা পুথোক্লগা খন্নবগী অমসুং মতম চুপ্পদা ষ্টেট পুলিস ফোর্সশিংগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওনদুনা লালহৌবশিংগী চত্থোক-চৎশিনগী মতাংদা অফংবা পাউ পূম্নমক খঙমিন্নরগা মখোয়গী থবক থিংনবা থৌশিলশিং য়াৎকদবনি।

হন্দক্তা অসাম ত্রিবুনদা লমদমসিদা পুলিস ফোর্সশিংনা থেংনরিবা শিংনবা কয়া অমসুং ষ্টেট পুলিস ফোর্সশিং অসিগী কো-ওর্দিনেসন অসি হেনগৎহনবগী মথৌ তাই হায়না লৌবগী মথক্তা ৱাফম অসিমক জুন ২৯ দগী ৩০ ফাওবা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদবা এন ই ষ্টেট পুলিস ফোর্সশিংগী মীফমদা শোয়দনা খন্নরগনি হায়বগী পাউ ফোঙলি।

পাউ গী লিখুনশিংনা ফোঙদোরকপদা লমদমসিগী লালহৌলূপশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী পাউ অমা লৈবদগী লমদমসিগী পুলিস ফোর্সশিং অসিগী হান্না লৈরম্বা ঈ-পাউ ফাওনবগী মওংশিং অমদি অফংবা পাউশিং ফাওদোক্লহন্নবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবা থবক অমা ওইদ্রগসু, মখোয়গী মনুংদা ইন্টেলিজেন্সগী পাউশিং অদুদি চপ চানা ফাওনবগী মথৌ তাই।

লৈবাকসিগী লৈরিবা পুলিস চীফশিংগী ন্যুদিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা পুলিসকী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী হেদ ওফ ওফিস ওইনা লাক্লিবশিং য়াওবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা নোর্থ ইষ্টকী লৈরিবা পুলিস দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা তোঙানবা মীফম অমা ফমখিবনি।

মসিগী মথক্তা খ্বাইদগী চাউনা লৈরিবা ৱাথোক্তি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অসিদি লমখৈগী শরুক য়াৎপা অমদি হায়রিবা লমখৈ অদুদা তঙাইফদনা মণিপুর পুলিসকী কাঙবুনা ঙাক-শেলহনবা হায়বসিনা ওইগদবনি।

ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা মখোয় মশা-মশাগী দিমান্দ কয়াগা লোয়ননা লম্বী থিং-খোৎপগী থবক তৌরিবসিনা মরম ওইরগা লমদমসিগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবক অসিদা শোত্থরকপনি।

## নাগালেন্দা হৌখিবা চহী ১৬ তা থাদখিবা শেনফম লুপা বিলিয়ন ১১ ফাওবা মাঙলি হায়না আর বি আই গী দেতাদা ফোঙদোরক্লি



কোহিমা, জুন ২৬ ঃ
নাগালেন্দদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাদখিবা শেনফমশিংদা ১৯৯১ দগী ২০১৬ ফাওবদা মাঙলিবা অসি লুপা বিলিয়ন ১১.৬ রোমনি হায়না রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) না হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা থাদোকখিবা দেতা অমনা হায়রি।

২০১৬ দা আর বি আই গী হেন্দবুক ওফ ষ্টেটিষ্টিক্সতা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা ১৯৯১-৯২ দা নাগালেন্দা থাদখিবা শেনফমদা লুপা বিলিয়ন ১ রোমগী শেনফম অসি করিগুম্বা মখল অমত্তগী শেল খোমগৎপগী মমি অমা ফাওবা তাখিদে। মখা তানা ষ্টেট অদুদা থাদখিবা শেনফমশিং রিকোভর তৌবা ঙমদনা লাকখিবদগী শেনবা চহী ২০১৫-১৬ তদি লুপা বিলিয়ন ১১.৬ কী শেনফম অসি নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টতা তোন্দুনা লাকখি।

ষ্টেট অদুদা শেল -থুমগী ফিভম ফগৎলে হায়না লৌখিবসি ২০০৩-০৪ দা খক্তনি। এডভান্স বজেট ইষ্টিমেটকী মতুং ইন্না শেনবা চহী ২০১৬-১৭ তদি লুপা বিলিয়ন ৫.৪ হায়বদি বিলিয়ন ৫,৪০০ হন্থরক্লনি হায়না ফিস্কেল দিফিসিটতা পারি।

অদুবু আর বি আই গী ‘হেন্দবুক ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স ওন ষ্টেটস ২০১৬-১৭’ দদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্তগী দিফিসিট লৈগদৌরিবসি শেনবা চহী ১৯৯১ দা লুপা বিলিয়ন ১৮৭.৯ ওইরম্বদগী ২০১৬ দদি লুপা বিলিয়ন ৪,৪৯৫.২ ওইখি হায়না ফোঙদোক্লি।

আর বি আই না থাদখিবা শেনফম শিঙ্গৎলক্তবা অমসুং মদুদগী মাঙবসি রাজস্থান ষ্টেটতা লুপা বিলিয়ন ৬৭৩.৫ ওইরিবসিনা খ্বাইদগী হেন্না মাংবা ওইরি অমসুং মথংদা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা শিঙ্গৎলকপা ঙমদ্রিবা লুপা বিলিয়ন ৬৪৩.২ অসিনা ওইরি। হায়রিবা গ্রোস ফিস্কেল দিফিসিট (জি এফ দি) অসিনা তাক্লিবসি থাদখিবা লোনগী শেনফম য়াওরগা চাদিং তৌখিবা শেনফম অদুদগী রেভিন্যুদগী ফংবা শেনফমশিং অদুদগী হেন্না ষ্টেটশিং অদুদা পুশিনখিবা শেনফমশিং অদুদগী শিংবা ঙমদবা শেনফমশিং অদুনি।

মরমসিদগী রেভিন্যু হায়বদি খাজনাগী চাং অসি শোম্ববদগী হায়রিবা শেন্দোলগী ফিভম অসি লাকপনি অমসুং খাজনা খোমগত্তবনা মরম ওইরগা থাদখিবা লোনগী শেনফমশিং অদু মাঙবা য়াবগী ফিভমদা লৈরবনি। মরমসিদগী হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা মখোয় মশা-মশাগী খাজনা খোমগৎপগী চাং অসি হেনগৎহনবগা লোয়ননা মখোয়গী ওইনা ষ্টেটশিং লেপচবা খাজনাগী চাং অদুসু হেনগৎহনবগী মথৌ তারে হায়বসিনি।

## মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা ঐচ পি সি -দি গা জুলাই থাদা পোলিটিকেল লেভেলদা ৱারী শান্নরবা য়াই

আইজোল, জুন ২৬ ঃ
মিজোরাম লৈঙাক্কা মার পিপলস কনভেন্সন (ঐচ পি সি-দিমোক্রেটিক) গা শান্তিগী ৱারী শান্ননবা জুলাই থা মনুংদা অকক্লবা মতম অমা পীগনি হায়বদুগী মমাঙদা মিজোরামগী সিনলুং হিলস দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (এস ঐচ দি সি) না শিনলুং হিলস হায়না মমিং ওন্থোক্লগা ঐচ এস দি সি দা থবক পুন্বা শিন্নবগী ফিভম অমা উরে।

নাকল অমরোমদা ঐচ পি সি-দি) গী কাদরশিংগা য়ান্নবা পুরক্ল বগীদমম অমসুং খুন্দা-লৈতাহন্নবগী মতাংদা মমাঙগী শেনবা চহীদা পুথোকখিবনি অমসুং মদু পাস তৌখিবা মতুংদা তোখায়বা লূপ অসিগী শক্তম অমা কন্নবা হোৎনবদা ঐচ এস দি সি অসি শেমখিবনি।

ঐচ পি সি (দি)না ফোঙদোরকপা ৱাফমগী মতুংইন্না মিজোরামগী লূপ অদুনা ঐচ এস দি সি শেম্লে হায়বদুগী অয়াবা পীখি হায়রি। পনবা য়াবদি ঐচ পি সি - দি না মমাঙদা সহি তৌনখিবগী মতুংইন্না ১৯৯৪ দা ঐচ পি সি অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা পুন্না ফম্মীন্নদুনা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ৱারী শান্নরগা ষ্টেট অদুদা তুং কোয়না শান্তি পুরক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাও

**CGPSC recruitment 2017 Apply online for 57 Homeopathy medical officer / Doctor at psc.cg.gov.in**

57 Homeopathy medical officer / Doctor in CGPSC:- 30th July 2017
06 Assistant Director in CGPSC:- 22nd July 2017
05 Lecturer, Librarian in CGPSC:- 07th July 2017

Chhattisgarh Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 57 Homeopathy medical officer / Doctor vacancies. Job seekers should apply online before 30th July 2017.

Government Organization:- Chhattisgarh Public service commission
Designation:- Homeopathy medical officer / Doctor
Job Location:- Chhattisgarh
Last Date:- 30th July 2017
Advertisement Number:- 09/2017
CGPSC Upcoming 2017
Homeopathy medical officer / Doctor:- 57 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Homeopathy medical officer / Doctor should have graduate in homeopathy from a recognized university with 2 year experience.

Salary Structure:- Rs 15600 – 39100/- Per Month
Age Limit:- 22 to 30 years as on 1st January 2017.

Selection Process:- Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through online mode (Debit or Credit Card / Net Banking).

All Applicant: Rs. 400/- (Rupee four hundred only)
SC/ ST/ OBC: Rs. 300/- (Rupee Three hundred only)
How to apply for recruitment CGPSC 2017:- Applicants may apply online trough official website of Chhattisgarh public service commission (CPSC) www.psc.cg.gov.in from 1st July 2017 to 30th July 2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission starts From: 01/07/2017
Form Submission End Date: 30/07/2017
Advertisement Number:- 09/2017

Chhattisgarh Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 06 Assistant Director vacancies. Job seekers should apply online before 22nd July 2017.

Govt Department:- Chhattisgarh Public service commission
Post Name:- Assistant Director
Job Location:- Chhattisgarh
Application date:- 22nd July 2017
Advertisement Number:- 08/2017
CGPSC Jobs 2017 Alert
Assistant Director:- 06 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Assistant Director should have graduate from a recognized university and passed in accounting training examination training examination or passed S.A.S
Salary Structure:- Rs 15600 – 39100/- Per Month
Age Limit:- 21 to 30 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through online mode (Debit or Credit Card / Net Banking) or Challan.
General: Rs. 400/- (Rupee four hundred only)
SC/ ST/OBC: Rs 100/- (Rupee one hundred only)
How to apply for CGPSC recruitment 2017:- Applicants may apply online trough official website of Chhattisgarh public service commission (CPSC) www.psc.cg.gov.in from 23rd June 2017 to 22nd July 2017.
Important Dates to remember:-
Starting Date: 23/06/2017
Closing Date: 22/07/2017
Advertisement Number:- 08/2017
CGPSC recruitment 2017 – Lecturer, Librarian
Chhattisgarh Public Service Commission released new notification on their official website psc.cg.gov.in for the recruitment of total 05 (five) jobs out of which 04 (four) vacancies for Lecturer, 01 (one) for Librarian vacancy. Job seekers should apply from 08th June 2017 and before 07th July 2017.
Commission Name:- Chhattisgarh Public Service Commission
Job Name:- Lecturer, Librarian
Posting:- Chhattisgarh
Official website: psc.cg.gov.in
CGPSC vacancy 2017
Lecturer: 04 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for CGPSC Lecturer job should have Degree in Textile Technology or Degree/Diploma in Textile Design or Degree in Mechanical Engineering with 3 years experience in relevant field.
Salary Structure:- Rs. 15600 – 39100/- Grade pay – 5400/- Per Month
Librarian: 01 vacancy

Qualification:- Aspirants who decided to join CGPSC Librarian posts should have Master of Library Science with 03 years experience as Librarian.
Salary breakup:- Rs. 15600 – 39100/- Grade pay – 5400/- Per Month
Age Limit:- 21 to 40 years as on 01/01/2017
Selection Process:- CGPSC admit card 2017 will be issued to conduct the Online Exam for Lecturer, Librarian vacancies, and after exams candidates will be invited for Interview.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Lecturer, Librarian vacancies should pay the below charges through Debit or Credit Card / Net Banking / Cash Deposit.
SC/ST/OBC: Rs. 300/- (Rupee three hundred only)
Other/Out of Chhattisgarh: Rs. 400/- (Rupee four hundred only)
How to apply for CGPSC vacancies 2017:- Interested applicants may apply online through the website www.psc.cg.gov.in from 08.06.2017 to 07.07.2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission starts From: 08.06.2017
Form Submission End Date: 07.07.2017

শগোলশেম হেমন্ত

## খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা-নুংঙাই পাউদম লাইরিক্নি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরক্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়ান্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

৭

### য়ু.এন.এল.এফ.
### য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট

*ঙরাংগী মখা...*

খোঙজং অসিনা অহানবদা খুন্নাই মনুংগী অমোৎপশিং, মরু ওইনা রেপিষ্টশিংবু অহকপা চৈরাক পীবগা লোয়ননা নিষাগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা তেল্লবা চহী ৩-৪ গী মনুংদা মীয়ামগী থাজবা ফংবা ঙমখি। মীয়ামদা য়ু এন এল এফ পু ফোঙনা মশক তাক্লবা মতুংদা নীংতম লালহৌগী অনৌবা মায়োন পীবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখি। ইং ১৯৯৮ ফাওবদা খুৎলায় পায়বা প্রোপেগন্দা মায় পাক্লা চত্থরবা মতুংদা তম্পাক লমদা চত্থবা খুৎলায় পায়বগী প্রোপেগন্দাগী থৌদাং পার্টিগী ওর্গনাইজেসন দিপার্টমেন্টতা শিন্নখি এম পি এ দনা য়েক্লবা আই ও এফ কী মায়োক্তা লান্থেংনবগী মপুং ওইবা থৌদাং শিন্নদুনা নীংতম লালহৌগী অনৌবা তান্কক অমদা চঙশিন্নবা ফিভম শেমখি।

মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপাঃ

মণিপুর মনুংদা নীংতম লালহৌগী খোঙজং মশক থোক্লা চঙশিনবা ঙম্লকপগা লোয়ননা মালেমগী থাক্তসু ঐখোয়গী নীংতম লালহৌ অসি ফোঙনা মশা তাক্লবা থবকসু য়ু এন এল এফ না ১৯৯৫ দগী পায়খৎপা হৌখি। পান্দম অসিগীদমক মতমদুগী জেনরেল সেক্রেটরী সনায়াইমনা মতমদুগী হোম সেক্রেটরী লৈখিদ্রবা হোদাম ইবোমচাগা লোয়ননা ইয়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চত্তুনা ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাকখাদা মণিপুরদা চত্থরিবা মীওৎ-মীনৈগী ফিভম খঙহন্নবা হোৎনখি। মখোয় অনীনা ইয়ুরোপিয়ন পর্লিয়ামেন্টকী প্রোগ্রেসিব ওইবা মেম্বরশিংগা উন্নদুনা ডেমোক্রেসিগী মরুমদা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা চত্থরিবা তমথিরবা লোইলম লৈঙাক অসিগী মরমদা অকুপ্পা পাউদম পীখি। চহী অদুগী আগষ্টতা জেনেভাদা ফমখিবা য়ু এন ৱার্কিং গ্রুপ ওন ইন্দিজেনস পোপুলেসন্সকি মীফমদসু অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্কী মরিক চুম্বা পাউদম অমা জেনরেল সেক্রেটরী সনায়াইমনা পীখি।

*মথং মথং ...*

## য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

## চাবা (চিঙ্গাক)

*ঙরাংগী মখা...*

নেশাগী মহুত্তা করি?

পৃথিবী অসিদা খ্বাইদগী ঙকপা অদুগা খ্বাইদগী হেন্না নৈনবদা নুংঙাইবদি করিগীদমক মীওইবনা হু চাবগে- হায়বা ৱাফম অসিনি। হু চারগা মশা শোকই - শি, হায়বা খঙনা হুগী নাই ওইননবা করিগীদমক মীওইবগী মপোক্তা পোক্লিবনো? চুরুট, কানি, গঞ্জা, কেফেন অমসুং য়ু অসি হকচাংগী ঈগী মনুংদা য়াওরিবা পোৎচঙগা শুকয়া য়ানদবা হু ঙাক্তনি। মীওইবনা খনগদবদি মী খুদিংবু মশা ফহনবা, নুংঙাই য়াইফবা, নহা ওইনা, পাখঙ ওইনা কুইনা লৈজবা অমসুং পুন্সিজবা ঙমহনবা, মীওইবগী চুম্নগী পুন্সিগী খোঙচৎ মপুং ফানা থাক ৱাংনা চচ্চবা ঙম্লগদবা চান্নবা নুংঙাইবা হায়না কৌবদু ফংগদবনি। অসিগুম্বা পুন্সিগী খোঙচত্তা খজিক্তং ওইরবসু অপনবা পীবা অদু ওন্থোক্লা তুকচফম থোক্ত্রা? অসিগুম্বা পোৎশক করিগী থাবনো, শুংইবনো অমসুং য়োল্লিবনো? অমরোমদা করিগী লৈরিবনো, চারিবনো, থকইবনো। মতাং অসিদনি মীওইবনা মীওইবগীদমক করি তৌখিবা ঙম্লবগে হায়বসি হৌজিক ফাওবদা উজবা ফংদে হায়জনীংই। অসিগুম্বা লিশাংশিংনা মশাদা হু থাবগী নৎত্রগা অঙাওবগী মচৎ ওইনা নাবসি অতোপ্পা জীব অমদা লৈতে। মরমদি জীব অতৈদি পূক্নি.ংগী ওইবা পুন্সি অমা লৈজদবনি মীওইবদি পুন্সিগী অৱা- অনা , নীংবা কায়বা লাকপদা খুৎশেমগী নুংঙাইবা পোক্লিংঙাই ওই। পূক্নিং হোংহনবা হায়বদি নুংঙাইহনবা, ফাওহনবা, পঙথহনবা, ঈংথহন্নবা পোৎশক কোয়না থিরকই। পুন্সিগী ওইনা অসুম্না ঙাওদুনা চৎখিবা অসি থিংগে অমসুং কোকহনগে হায়রবদি চুম্নগী পুন্সি অসি অৱাংবা থাক্তা জ্ঞান তানা পুন্সি শাগৎপগী থবক্তা মপুং ফানা চাওখৎহনগদবনি। থৱাই হিংননবগী, পুন্সি অসি ফজহন্নবগী অমসুং হকচাং ফহনবগী থবক অসিগী পামজবা অদু হেনগৎহন্দুনা মতম খরগী ওইনা ৱাবা কোক্লবদা নৎত্রগা হোংনবগী ওইবা ঙাওহনবা অমসুং মীহৌহনবদগী কন্নবা লাক্লগদবনি।

*মথং মথং ...*